# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরদা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদবা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদগী হৌখ্রে, নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ভোৎ থাদনগনি।

২) মীখল শান্তি ওইনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকবা অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

অমসুং

৩) লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৪ গী পুন্না সিট ১০২ দা ঙসি ভোৎ থাদনরি।

------

মীখল (এল)ঃ মনিপুরদা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদবা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী হৌখ্রে। ঙসি নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ভোৎ থাদনগনি।

তাঙ্কক অসিদা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ৩২ মক অমসুং আউটর মনিপুর সিটকী বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৪৭ তা ভোট থাদনগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ভোট থাদনরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৭ অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং লাখ ১৫ লিশিং ৪৪,৬৫২ নি । মসিগী মনুংদা নুপা ভোটর মশিংনা লাখ ৭ লিশিং ৪১,৮৪৯ নি , নুপী ভোটর মশিংনা লাখ ৮ লিশিং ২,৫৫৭ নি অদুগা থার্দ জেন্দরগী ২৪৬ নি। অপুনবা ভোতর অসিগী মনুংদা ইন্নরগী ওইনা ভোতর লাখ ৯ লিশিং ৪৮,৮১১ ভোৎ থাদগনি। মসিগী মনুংদা ইন্নরগী ওইনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা

ভোতর লিশিং ৫ রোম য়াওরি। পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ২,১০৭ তা ভোট থাদনরি। মসিগী মনুংদা ইন্নরগী ওইনা অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,২৫৮ য়াওরি । পুন্না লাঞ্জেন্নরকপা মীওই লিশিং ১৮, ০৯১ গী ওইনা ভোট থাদফম অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮৫ হাংলি । মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতা ৯, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৮, বিষ্ণুপুরদা ২২, থৌবালদা অনি, ককচিংদা মঙা, কাংপোকপীদা ২৪ অদুগা চুরাচান্দপুরদা ১৫ য়াওরি।

মীখল অসিগী ইন্নর মণিপুর লোক সভা সিটতা মীরেপ ৬ না লম্বা থেংনগনি। মীরেপশিং অদুদি- ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অঙোমচা বিমোল অকোইজম, ভারতিয়া জনতা পার্তিগী থৌনাউজম বসন্তকুমার সিংহ, আর.পি.আই (অথৱালে)গী মহেশ্বর থৌনাউজম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অহুম-আর.কে. সোমোরেন্দ্রো (কাইকু), মোইরাংথেম তোতোম সনা অমসুং হাওরুংবম শরত সিংহনি।

আউটর সিটতনা-নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কাইচু তিমোথি জিমিক, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কে. অর্থর অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি-ডাঃ এলিসন অবোনমাই অমদি এস. খো জোন পন্না মীরেপ মরিনা লম্বা থেংনরি।

মীখল অসিদা পোল্লিং পার্সোনেল লিশিং ৮ লোম শিজিন্নরি। মীখল অসি শান্তি ওইনা অমসুং নিংথিনা পাঙথোকবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংসু মতিক চানা দিপ্লোই তৌরি। পামদবা থৌদোক থৌরকপা য়াই হায়না চিংনবা পোল্লিং ষ্টেসন অমদি স্পেসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসনদা মাইক্রো ওবজার্ভরশিং থল্লি। মীখল অসি শান্তি ওইনা অমসুং পাঙথোকপা ঙমবা ভোৎ থাদফম পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা অথিংবা খরা থমলে। মীরেপশিংনা নত্রগা মাগী এজেন্টশিংনা ভোতরশিং হোনে দাক হোনজিন তৌবা য়ারোই। ভোৎ থাদফম পোল্লিং ষ্টেসনগী মনুংদা অমদি মসিনা কোনবা মিতর ১০০ মনুংদা লৈবা মীয়ামগী অমদি লনাইগী মফম অমত্তদা ভোৎ খোন্বা য়ারোই। হায়রিবা মিতর ১০০ না কোনবা মফমদা মথৌ তৌরিবা ওফিসিয়েলশিং নত্তনা কনাঅমত্তনা মোবাইল ফোন শিজিন্নবা, মীখলগা মরী লৈনবা পোষ্টর থেৎপা, লাউদ স্পিকরনচিংবা শিজিন্নবসু য়ারোই হায়না রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লি।

ভোতর মশিং য়ামা থোরক্তুনা ভোৎ থাদবীনবা আপীল তৌরদুনা সি.ই.ও মণিপুর হায়- ভোতরশিংনা ভোৎ থাদবা লাকপদা মখোয়গী শক্তাকচে ওইনা ইপিক কার্দ পুবীরক্কদবনি, ইপিক কার্দ পুথোকপা ঙমদবশিংনা মখোয়গী শক্তাকচে ওইবা য়াবা আধার কার্দ, এম.এন.আর.ই.জি.এ জোব কার্দ, বেঙ্ক, পোষ্ট ওফিসনা পাসবুক, দ্রাইভিং লাইসেন্স, পান কার্দ, সার্ভিস কার্দনচিংবা হায়রিবা শক্তাকচেশিং অসিগী মনুংদগী অমা উৎলগা ভোৎ থাদবা য়াগনি হায়রি।

ইলেক্সন(এল)ঃ ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট ঙসি রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৪ গী পুন্না সিট ১০২ দা থাদনরি।

সিটশিং অদুগী মনুংদা তামিলনাদুগী ৩৯, রাজস্থানগী ১২, উত্তর প্রদেশকী ৮, মধ্য প্রদেশকী ৬, উত্তরাখন্দ, অসাম অমসুং মহারাষ্ট্রগী সিট ৫-৫, বিহারগী ৪, নোংচুপ বেঙ্গলগী ৩, অরুনাচল প্রদেশ মণিপুর অমসুং মেঘালয়গী সিট ২-২ অমদি ছত্তিসগর, মিজোরম, নাগালেন্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অন্দমান নিকোবর, জম্মু কাশ্মীর, লক্ষদ্বিপ অমসুং পুদুচেরিগী সিট অমমম য়াওরি। সিট অনি লৈবা মণিপুরগী ওইনদি ৱাৎহৌরিবা আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা অনিসুবা তাঙ্কক এপ্রিল ২৬ তা ভোৎ থাদনগনি।

ৱারী (এল)ঃ মণিপুর তাংলবা নরেটিভ আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা ৱারী লীবা কলা অসিবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা নুমিৎ ১০ নি চুপা চথরকখিবা ৱার্কসোপ কম ফেষ্টিভেল ঙরাং লোইশিনখ্রে। মহাভারত দ্রোন পর্বা হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু সঙ্গিৎ নাটক একাদমি নিউ দিল্লিগী শেন্থং মখাদা ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা ওল মণিপুর ৱারী লীবা এসোসিয়েসন এন্দ রিছার্স সেন্তর খুরাই শোইবম লৈকাইনা শিন্দুনা য়াইরিপোক বামোন লৈকাইগী রিজনেল সেন্তর ফোর কলচরেল হেরিতেজদা পাঙথোকখিবনি। ৱার্কসোপ কম ফেষ্টিভেল অসিদা ৱারী লীবী নুপী অনি য়াওনা পুন্না মীওই ১৬ না শরুক য়াখি।

বোর্দ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ গার্লস হাইস্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা পীক্লিবা অঙাংশিংবু লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ (এল.এস.টি.বি)গী পুং ঈশৈ, জগোই লোইশঙনা তম্বীরকপা শিন্থা ওইনা ঙরাং হয়িং খোঙবাল উখোং যুম্ফমদা লৈবা সনামহি লাইশঙগী শোন্ন-পুংদা মহয় চানা থৌরমগী থৌগল তৌবা হৌনখ্রে।

নোনে (এল)ঃ ইরেংবমদগী নোনে ফাওবা তিংলিবা থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি. লাইন তোইনা য়াদবনা মরম ওইদুনা নোনে জিলাগী মীয়ামদা মৈ ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়রি। মীয়ামগী অৱাবা কোকবা সরকারনা থবক লৌখৎপিয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

ফুটবোল (এল)ঃ অন্দর সভেন্তিন খেলো ইন্দিয়া গার্লস ফুটবোল লিগ ২০২৩-২৪ গী ঙরাং শান্নখিবা লিগ মেটচতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ২১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ছত্তিসগরদা পাঙথোক্কদবা স্বামি বিবেকানন্দ অন্দর ত্বেন্তি মেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মণিপুরগী অন্দর ত্বেন্তি টিম অসিদা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পুন্না মীওই ২১ শরুক য়ারি।

জয়শঙ্কর ঃ য়ুনাইতেদ নেসন্স এসিষ্টেন্ট মিসন ইন আফগানিস্তান (উনামা)গী হেদ ওইরিবা রোজা ওতুনবা য়েবানা ঙরাং নিউ দিল্লিদা কেন্দগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা হৌজিক আফগানিস্তানদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা ডাঃ জয়শঙ্করনা ভারতনা আফগানিস্তানদা গেহু, হিদাক লাংথক, তিলহাৎ হিদাক অমদি মহৈ তম্বদা চংবা পোৎলমশিং মতেং পাংখিবগী ৱাফম ফোংদোকখি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিদা য়ুনাইতেদ নেসন্সকী এজেন্সিশিংনা

পার্টনর অমা ওইনা লৌরিবা থৌদাংবু মহাকা থাগৎখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ ঙসি থাদনরগনি, য়ু.কেগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হাউস ওফ লোসকী মীফমদা মণিপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা পুথোক্কুনা খন্নখ্রে, মণিপুরদা ঙরাং ৱার্ল্ড হেরিতেজ ডে পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্তা- লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ ঙসি পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ২,১০৭ তা থাদনরগনি, রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ভোতর লিশিং ১৮,০৯১ য়াওনা ভোতর লাখ ১৫ লিশিং ৪৪,৬৫২ না ভোৎ থাদনগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মসিগা মান্নবা পাউ মণিপুর নিউজ, মোর্নিং বেল, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, শঙাই এক্সপ্রেস, পোকফমনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

মণিপুর নিউজদা- য়ু.কেগী হান্নগী পি.এমনা হাউস ওফ লোসকী মিতিংদা মণিপুরদা হাৎন-শুনবগী ইসু পুথোক্কুনা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ- হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিতেজ ময়ামসি কল্লবা মতমদা মতিং লৈবা খুনাই অমা ওইগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- দ্রাইভরশিংনা নেসনেল হাইৱে ৩৭ তা মতম কক্তবা বন্দ লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু ফোংবা থেংনরে।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- মণিপুর ত্রাইবেল ফোরমনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে, আর্মি প্রোটেক্সন পীবীনবা হায়জখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- পম্প অয়ান্বদা থাড ফংহনবা ঙমদ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা- কংগ্রেস ৱার্করশিংগী য়ুম য়াওনা মফম কয়াদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- য়েলহৌমীশিংগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা ঙমগদবা অমদি অপুনবগী শক্তম ঙাক শেনগদবা মীওইদা ভোৎ পীনবা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কমিতি ওফ মণিপুরনা আপীল তৌরি হায়বা অমা পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

পিপলস ক্রোনিকলদা- ওইল টেঙ্করশিংদা লান্দারকপগী থৌদোক সি.আর.পি.এফনা লুমা লৌই হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- রাজ্য অসিগী লাতাদ্রবা ফিভম মরক্তা লোক সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ ঙসি থাদনরগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপ্র মেলদা- ৱার্ল্ড হেরিতেজ ডেগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরদা লোক সভা মীখল শান্তি ওইনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকবা পেরা মিলিটরি ফোর্সেস কম্পনি ২০০ রোম শিজিন্নরি হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- হান্নগী ইংলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরুন্না মণিপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎলক্কুনা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------